থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# পোকপা-শিবা অমত্তনি, তোখায়দে

মণিপুরগী হরাও-কুন্দ্রেগী তাইবংদা অরংবা থৱানমিচাক অহুম ওইনা তগুপ-তরং ঙাল্লম্বা, ফাগী পুবা শক অহুম- চাউবা, তোম্বি, বাবু- ঙসিগী মীরোল অসিনা খঙদ্রবসু ঙরাংগী তাইবং উহৌবা ঐখোয়গী মীৎমাঙদদি অহিংবা শক্তমগুম মশেন-মরাং হেক্তা চোংথোরকই- অৱাবা ৱাখল খনবতা হৈনজবা ঐখোয়না ঙাইহাক নুংঙাইথোক্লে, নোকথোক্লে খল্লকপা মীকুপ্পু। ‘শিগদৌ’ লৈরবা পুন্সিদি শিগনি হায়বা কাউথোকহন’ঙম্বা, ফাগী পুবা অহুমদু ঙসিদি তাইবংসিদা লৈতরে, অশি’ লমদম পাঙখরে। ঙসি মখোয়বু নীংশিংলক্লিবা চহী মতাংসিগা চান্নবা মখোয়গী ফাগী অমখক নীংশিংলুবদনি... ‘ঈতাও, চহী য়াম্মশিল্লকপা হায়বসিদি জুগোৎ চাবা নন্তেদা, মঙ-হাগসিনা কয়া মথোঙ চান্দ্রিবা... মঙদবু অতৈ নুংঙাই য়াইফ উহ্‌দনা ঐ য়াওবা কুদু য়াম্মা তোয়না উরিনে’... ৱা লাউনা নোকখিবা ময়ামদু, ঙসি মাগী মাগী মতম লাকপদা নীংশিংলক্লমগনি শোয়দনা। অশিবনা ইনাক্তা নকশিল্লক্লে হায়বসি মঙদা ‘ঐ য়াওবা কু’দু উহ্রবসু, কাফে কাফে চৎপা হৈরকপদা ঙায়রিবী, কনাদা করি কৌগদগে খঙলকপদা ঙায়রিবী ইশুনুপী’সি উবদা ‘ঐবু মহাক্না মপুম-মরে-ফা, মহে তম্বা লোইদুনা নুপা ময়ুমদা চৎখিবদুদা মকোকথক্তা নানবীদুনা য়াইফ-মঙ্গল পীবদু য়াওবা নংখিগদ্রা’- খল্লক্লিবসিনা তাকই। ঐনা নক্লবা মরী-মতা, খঙন-চান্নবা কয়া অমা অরোইবা মতম লাক্কুনা তাইবংপান থাদোক্তুনা চৎখিবা, চৎলমদাইদা হরাও হরাও অশিবগা থাগোন্নখিবা কনামত্তা য়াওখিদে। অদুবু ঐবু পোকপী ইমা’দুনদি অশিববু হরাওনা কোনশিনজখিবগী মতৌ অমা উবা ফংখি। শঙদে, মচা ওইবা ঐখোয়দা, নৎত্রগা, তাইবংসিদা ৱারৌবা- করিগুম্বা খরা লৈখিবরা? অদুগা অঙকপা থৌদোক অমগী পাউ অমগা, হৈরাঙ্গৈথোংদগী মরুপ অমনা পাউদম্লকখি। মাগী মপুবোক্লুনা, চহী মরিফু শুরকপা মতম অদুরাইদা নোংমা, মচাশিংনা লাপ্পা-তাম্মা ওংবা মচা-মচল নিংঙোলশিং পুম্নমক শুনা তীল্লবা-কান, মনাক্তা লোইনা কৌশিল্লগা হায়রকখি হায়... ‘হৌজিক, ঐগী অরোইবা মতম লাক্লে, চৎলগে... নখোয় ময়াম পুম্না অমুক্ত য়েংনিংদুনা কৌবনি, ঐগী অরোইবা খোঙচৎসিগীদমক শেম-শাউ ঐ য়েংগে’। ফমশেন্নবা নাবসু নত্তবা, ইকন কয়া, মপোপ কায়দনা লৈরিবা অহলদুগী খদোক্লুখি। অদুবু, মহাক্কী নিংঙাংনা কনবনা, শিববা মী অমা পোৎলোইনবগী থৌরাং পুম্নমক তৌখি। লৈকায়গী মী লাক্কুনা কুন্দ্রেগুম্না য়েংনখি। থৌরাং পুম্নমক লোইরগা, খাঙেনফমদা ফি অঙৌবনা কোয়শিন্দুনা থম্লিবা মফমদুদা ইরেন’-চঙশিন্দুনা হীপখি হায়। মতৌদুতা অউবশিংগী মমিত্তা পিরাং ঈথৌরকখি হায়। মীকুপ খরগী তুং, মাইবনা চঙশিন্দুনা য়েংলুবদদি মশাদা মিহুল হুল্লমদ্রে, নিংশা শোর হোল্লমদ্রে, থৱায় চেক্লা পাইখিরম্লে।

অদুক নীংথিজবা শিবগী শক্তম ইমাজিনেটিভ ওইবা কনাগুম্বগী ৱাখলনসু শাগৎপা ঙম্লোই। মরমদি, ‘শিবা হায়বসি পুন্সিসিগী অরোইবনি’- খল্লি, খল্লে পুম্নমক্লা। তাইবংসিদা পোক্লরবা, পুন্সি মশক খঙলুরবা কনানা, শিনাইবদা মপোক নত্তে হায়বা খঙনা খঙনা, পুন্সিসিবু থাদোক্লিংদে, কিবা লৈতে শিব’মুক। নীংথিজনা ফজনা, লূনা নান্না হিংনবগী ৱাখলদি পূম্নমক্লা খন্নরগা, ঈংনা-লেম্না ফজনা শিবই ৱাখলসিমদি কনানসু খন্নদে, ৱারী ওইনা শানদে শিবা পাম্নদবনা। ৱারেংসিগী হৌবদা পঞ্জখিবা অহল অহুমদু চীক্লা লেম্না শিরম্লি, খল্লুবনি ৱাখলসিনা। মরমদি, মখোয় নুংনাংখিদে শিবগী, লাক্লগদবা মীকুপ্পু মায়োক্লননবা শেম-শাখি। স্পিরিচ্যুঅল গুরুশিংনা হায়- পুন্সি অমসুং শিবা, অনী অসি অমত্তনি থাদোক্লবা য়াদ্রবা। শিবা কিবা হায়বসি হিংবা কি হায়বনি। দেথ এন্দ লাইফ একজিষ্ট টুগেদর, অমা লৈতনা অমদু লৈবা য়াদবা। পুন্সি হায়বসি লৈবনা শিবা হায়বসি লৈবনি, শিবা হায়বসি লৈরম্বনা পুন্সি হায়বসি লৈরম্বনি। শিবা হায়বসি লৈরম্বনা পুন্সিগী মমল লৈরম্বনি। পুন্সিসিবু নুংশিরবা, শিববুসু নুংশিগদবনি। ‘মায় পাক্লে পুন্সিসি, পুমপেন পেল্লে ঙসিদি, শিরবসু য়ারে’ হায়রক্লিবা মহাক্তো পুন্সি-কৈরাক অসি পন্দোল লোম্না কারবনি। কনাগুম্বা অহল অমনা ‘কনাগীসু লমন তোন্দরে, খুয়া তুশিংনা শিরনি’ হায়রক্লবা, মহাক্কী মচা-মশু ঙম্নমক খোঙ্গুল তানা হিংলবা মীশক অমা ওইরমগনি শোয়দনা।... ‘ঐহাক্কী মীমান্নদ্রবা ইচা অমা য়াওরিবসিগী খল্লুবদা, শিবা ঙল্লোইদৌরেনে ঐ’... নীংবা থুংনা-পেঞ্জনা হিংবা ঙমখিদ্রবা কনাগুম্বা অমগী খোম্থোক্লি।

মতাংসিদা নৈননীংলকই- শিবা হায়বসি, তশেংনমক করিনো? পোৎলম মঙা (পঞ্চভুত)না শাবা হকচাং পোলাং, মৈ-ঈশিং-নুংশিৎ-লৈপাক-অতিয়াসিদা তাউদুনা/তোংদুনা হিংলম্বা, চাবা-থকপা-লেঙবা-ওৎপা তৌদুনা লৈরম্বা। অসিনা মথৌ তৌবা লেপখিবা, পৎপ-পুম্বা নাইবা হকচাংসিনা মালেমদা অমুক তীনখিবা অদুবুরা শিবা হায়বসে? শিবা হায়বসিনা পুন্সিগী অরোইবা ওইরবদি মাঙলমচৎকী হকচাং-পোলাংশিংদুনা তুমখিবদা পুন্সিগী অরোইবসু ওইরমগদবনি। অদুবু, শিবা হায়বসিনা পুন্সিগী অরোইবা নত্তবনা, পুন্সি খোঙচৎ-ঙসিসু লোইবা নাইদরি, লোইনাইদনা চৎখিগনি। শিবা হায়বসিনা পোলোই নত্তে পুন্সিগী। মুন্না’মুক্তা খন্তবীয়ু-শিবা হায়বা থৌওংসি মীওইবদা লোৎলম্বা ‘ইগো’ কৌবা শকউদবা ‘নাপন’দুনা মাঙখিবদুনি। ফজবগী তুংনফম, কল্লক্লফম ওইবদু ঐহাক্লি... লৌশিং শিংবা, পুমথোই থোইবদু ঐহাক্লি... ইনাক-খুনবা, মরল লৈবদু ঐহাক্লি... পাঙ্গল-ফবা, অকনবদু ঐহাক্লি... পুমঙম-ঙম্বা, নিংথৌরেলদু ঐহাক্লি... অসিনচিংবা ‘ইগো’দুগী অরোইবনি- শিবা ! শিবা হায়বা থৌওং অসি লৈরমদ্রবা, নুংশিব’সু লৈরল্লোই। ইমাগী শিয়োম্ন ংদগী থোরক্তুনা ‘হংঙা’ মীকপ্নরকপদগী, পুন্সিসিদা ঐহাক্লা করি তৌরক্কদগে, কনাগা কদায়দা থেংনরক্কদগে- কনানসু হায়’ঙমদে। পুন্সি খোঙলোয় অমগা ইপাং ওইদুনা চৎমিন্নবা ফংগদ্রা নৎত্রগা ফংলোইদ্রা? খঙবা ঙমদে মদুসু। অদুবু ঐহাক ‘নোংমা শোয়দনা শিগনি’ হায়বসিমদি খঙই পুম্নমক্লা।

‘শিখ্রবা মহাক্কুগী মরমদদি অফবদু নত্তনা করিমত্তা হায়গনু’- ৱাহায় অসি শেম্লল্লিবা... নুংশিবগা শিবগা অনীগী নক্লবা মরীদু খঙহন্নবইদমক্লি। পুন্সি অমসুং শিবা-অনী অসি অমত্তনি। ‘শেম্বীবা-লাই’ হায়বা অমগা ‘অশিবগী লাই’ হায়বা অমগা, অনী শুদে অমত্তনি।

লৌশিং পুক্কে

# মেলানোমা (অমুবা মচুগী অপোম্বা)

## কেন্সর মখল অসিগী মতাংদা খঙজিনবা য়াবশিং

মালেমদা হিংলিবা মীওইবগী পুন্সিদা খ্বাইদগী হেন্না শীংনরিবা লায়নাশিংগী মনুংদা কেন্সর হায়রিবা লায়না মখল অসিসু অমনি। কেন্সর হায়রিবা লায়না মখল অসিনা মরম ওইরগা মরাল লৈজদ্রবা মীওই কয়াগী পুন্সি অরেম্বদা মাঙহল্লি। মালেমগী ওইনা কেন্সরনা নুমিৎ খুদিংগী মীওই কয়া শিহল্লি। কেন্সরনা নাখ্রবদি লায়েংবা ঙম্লরোইদ্রা হায়বগী অকিবা অমসু মীপুম খুদিংমক্লা পোক্লরি। অদুবু ঐখোয়না খঙজিনগদবদি কেন্সর নারে হায়দুনা ঐখোয় হেক্তা শিগদবা নত্তে। ঙল্লিঙৈ মতমদা কেন্সর নারে হায়বা খঙলবদি য়াম্না লায়না লায়না মখল অসি ট্রিটমেন্ট চথবা ঙম্মী। অমরোমদা কেন্সর মখল য়াম্না লৈ। অদুবু ঐখোয়না কা হেন্না থাজদবা অমদি থিজিল্লুদবনা মরম ওইরগা মেলানোমা (অমুবা মচুগী অপোম্বা) হায়রিবা উন্সাগী কেন্সর মখল অসিগী মতাংদা খঙবদি ৱাৎলি। হায়রিবা কেন্সর মখল অসি স্কিন কেন্সরশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী হেন্না শাথিবা মখলগী কেন্সরনি। অদুবু হায়রিবা কেন্সর মখল অসি মীওইবদা য়াম্না কা হেন্না নাগন্দবা অমদি ওইরি। মসি চহী ৩০গী মখাদা লৈবা মীওইশিং মরুওইনা নহা ওইরিবা নুপীশিংদা খ্বাইদগী হেন্না নাগল্লি। হৌখিবা চহী ৩০ রোম অসিদা মেলানোমানা নাবগী চাং অসি য়াম্না হেনগৎলক্লি। নুংশা মঙালদা অল্ট্রা ভাইওলেটকী চাং ৱাংখৎলকপদগী মেলানোমাগী কেস মশীং হেনগৎলকপা ওইরম্বা য়াই হায়না অখঙ-অহৈশিংনা ফোঙদোক্লরি। মেলানোমা হায়রিবা উনসাগী কেন্সর মখল অসি হকচাংগী শরুক অমত্তদা হেক্তা নারকপা য়াই। মীৎ নৎত্রগা ফিনুংগী ওইবা শরুকশিংদসু নারকপা য়াওই। নুপাগীনা মনঙ্গলদা অমদি নুপীশিংগীনা খোঙদা উনসাগী কেন্সর মখল অসি য়াম্না নাগল্লি। মেলানোমা হায়রিবা উনসাগী কেন্সর মখল অসি ঙল্লিঙৈ মতমদা খঙবা ঙম্লবদি য়াম্না লায়না ট্রিটমেন্ট চথবা য়াই। অহানবদা মেলানোমা হায়রিবা উনসাগী কেন্সর মখল অসি মীওইবা অয়াম্বদা থুংলিবা শন্মুগী মতৌগুম্না নৎত্রগনা উনসাগী শক্তমদা অহোংবা লাকপা হায়বদি মথা-মথা পোমখৎলকপনচিংবা মওংদা হৌগৎলক্কনি। কেন্সর মখল অসিগী মচু অসি অমুবা, ব্রাউন কল্লর, অঙাংবা অমদি লৈ মচু ওইগল্লি। হায়রিবা উনসাগী কেন্সর মখল অসি চাদা ৩০দি হকচাংদা থুংবা শন্মুদগী ওইগল্লি।

অমেরিকান একাদেমীক ওফ দর্মাটোলোজিগী এ বি সী দি ঈ মেমোরি দিভাইস শীজিন্নদুনা ঙল্লিঙৈ মতমদা হায়রিবা মীওইবগী পুন্সিবু মাঙহনবা ঙম্বা কেন্সর মখল অসিগী মতাংদা খঙদোকপা ঙম্মী। কেন্সর মখল অসিগী মওং মতৌ অমদি চাউবগী চাং অমগা অমগা মান্নদে। ডোক্তরশিংনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না নুংশাদা কা হেন্না চৎপা নৎত্রগনা হকচাংগী উনসাশিংদা নুংশা কা হেন্না য়ৈদুনা লৈবা মীওইশিংদনা লায়না মখল অসি হেন্না নাগল্লি। লায়না মখল অসিগী চাদা ৮৬তি নুমীৎ মঙাল য়াওবা অল্ট্রা ভাইওলেট রেনা নাহল্লি। অল্ট্রা ভাইওলেটনা ঐখোয়গী উনসাদা য়াওরিবা দি এন এ সেলশিং মাঙহনবগা লোয়ননা হায়রিবা সেলশিং অদু অতোপ্পা জিন অমদা ওন্থোকহন্দুনা সেল অদুবু চাউখৎহনবা নৎত্রগা খায়দোকপগী থবক তৌবা ঙম্মী। অদুবু নুংশাদা কা হেন্না লৈতবা মীওইশিংদসু লায়না মখল অসি নারোই হায়বা লৈতে। লায়না মখল অসি কুচু কা হেন্না ঙৌবা, অঙাংবা মশম হৌবা অমদি হিগোক মচুগী মীৎ ওইবা মীওইশিংদা নাগল্লি। ইমুং-মনুংগী মীওইশিংদা মেলানোমা নারবদি মহাক্কী চাদা-নাওদাশিংদসু লায়না অসি নারকপগী চান্স ৱাংই। শন্মু য়াম্না থুংবা অসিসু চেকশিন্নিংঙাই ওই। মরমদি শন্মুদগী মেলানোমা ওল্লকপগী চাং ৱাংই। হকচাংগী ইম্যুন সিষ্টেম শোল্লবসু লায়না মখল অসি নাগল্লি। করিগুম্বা ঐখোয়গী হকচাংদা থুংলিবা শন্মুশিং মরম চাদনা চাউবা হেনগৎলক্লবদি মদু ডোক্তরদা য়াম্না থুনা য়েংথোক্কদবনি। মতম চানা য়েংথোকহৌদ্রবদি লায়না লায়েংবা ঙম্মী হায়রবসু মীওইবগী পুন্সি কেন্সর মখল অসিনা ইরায় লায়না মাঙহনবা ঙম্মী হায়বসি ঐখোয়না কাউরোইদবনি। ঐখোয়গী হকচাংদা মেলানোমা লৈব্রা নৎত্রগা লৈতবরা খঙদোক্লুবা খ্বাইদগী ফবা পাম্বৈদি মরী লৈনবা ডোক্তরশিংগা ঙল্লিঙৈ মতমদা তান্নহৌবনি। মরম অদুনা লায়না অসি ঐখোয়না তরাই তরাই লৌরোইদবনি হায়রি।



আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

# ইন্দিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা টেম্পররি মার্কেটতা ফল্লিবা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিং আই এম সীনা সর্ভে তৌবীরম্বা থাগৎলি, সর্ভেদা য়াওখিবশিং লৈঙাক্লা শকখঙচে পীবীয়ু

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬ (ঐচ এন এস) :

ইন্দিয়াদা অমত্তা ঙাইরবা ষ্টেট অসিগী টেম্পররি মার্কেটতা ফল্লিবা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিং ঙরাং ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন (আই এম সী)না সর্ভে লাক্লম্বা থাগৎলি। তৌবতবু সর্ভে য়াওখিবশিং লৈঙাক্লা শকখঙচে পীবীয়ু হায়না ষ্ট্রিট ভেন্দর্স এসোসিএসনশিংনা লৈঙাক্কী পূক্লিং চিংশিল্লক্লি।

হীরম অসিগী মতাংদা টেম্পররি মার্কেটতা রোদ সাইদ ভেন্দর ৱেলফ্যের এসোসিএসন খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল, পান্থোইবী ইমা সনা কৈথেল লূপ টেম্পররি মার্কেট, মাইনোরিটি মুস্লিম ভেন্দর ৱেলফ্যের য়ুনিয়ন, সেদ্যুল্ড ত্রাইব ভেন্দর ৱেলফ্যের য়ুনিয়ন, সলাই তরেৎ অপূনবা নুপী সমাজ অমদি নৌনা কৈথেল অসিদা ফম্লক্লবা য়ুনিয়নগী মীহুৎশিং নত্তবা ষ্ট্রিট ভেন্দর কয়ানা শরুক য়াদুনা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উনবগী মীফম অমদা রোদ সাইদ ভেন্দর ৱেলফ্যের এসোসিএসন খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী প্রসিদেন্ট ক্ষেত্রি তমানা ফোঙদোকখিবদা, ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংবু নুংশিবা, ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংগীদমক চঙ থোক্লা থবক তৌবদি পাল্লিবা লৈঙাক অসিনি। লৈঙাক্লা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংগীদমক কৈথেল শঙ শাবীদুনা ইন্দিয়াগী মনুংদা অমত্তা ঙাইরবা ষ্ট্রিট ভেন্দরগী কৈথেল ষ্টেট অসিদা লৈবা ঙম্লে।

পাউগী মীফম অদুদা মহাক্লা মখা তারদুনা হায়খি, ওক্তোবর ১৬তগী কৈথেল অসিদা ফম্বা য়াবগী অয়াবা ফংদুনা নুপী ইমা-ইবেল কয়ানা কৈথেল ফমদুনা লাক্লি। ঙরাং আই এম সীগী এসিষ্টেন্ট কম্মিস্নার ক্ষেত্রিময়ুম গ্যানেন্দ্রোনা লুচিংবা টিম অমা লাক্কুনা কৈথেল মনুংদা ফল্লিবা ষ্ট্রিট ভেন্দর য়াওনা মপান্দা ফল্লিবশিংবু সর্ভে তৌবীখিবা অসি তশেংনা থাগৎলি। ঙরাং তৌবীখিবা সর্ভে অদুদা কৈথেল ফম্বী নুপীশিংগী মিং, লৈফম, পুং কয়াদগী কয়া ফাওবা কৈথেল অসিদা ফম্মী অমদি মোবাইল নম্বরনচিংবা ইনফোর্মেসন কয়া লৌখৎখি। আই এম সীনা ঙরাং সর্ভে তৌবদা লৌখৎলিবা দেটা অদুগী মতুংইন্না মখোয়বু শক্তাকচে অমা পীবীরবদি হেন্না নুংঙাইজগনি হায়খি।



পাউগী মীফম অদুদা মহাক্লা হায়, অনৌবা কৈথেল অসিদা ফম্বা নংহৌদবা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংগীদমক থৱায় ৱারিঙৈ তোল্লক অসিদা লৈঙাক্লা সর্ভে চথ্নরকপা অসি ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংগী ওইনদি য়াম্না লাইবক ফবনি। লৈঙাক্লা ষ্ট্রিট ভেন্দর এক্ত ২০১৪গী মখাদা দ্রাফ্ট রুল কয়া শেমদুনা লৈখ্রবনি। কৈথেল ফল্লিবা অসিগী মতমগী মতাংদা নৌনা কম্মিস্নারনা থোরক্লিবা ওর্দর অসি ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংনা য়াবা ঙল্লোই। অয়ুক পুং ৪দগী নুমীদাং পুং ৯ ফাওবা বিজিনেস এক্টিভিটিজ তৌবা হায়বা লৈঙাক্কী হান্নগী ওর্দর কৈথেল অসিদা অদুম্মক চৎনরি। মখা তানসু চৎনহনবীয়ু। অমরোমদা নৌরিবা শারিবা কৈথেলশঙ অসিগা এসোসিএসন খরগা লৈঙাক্লা মান্নরগা মী ফমহনবা ওইনা উবা অসিসু লাইবক থীবনি। এসোসিএসনগী ওইনা করিগুম্বা অমত্তা লৈতে। হৌজিক হৌজিক কৈথেল অসিগী এ ব্লোক্কী সেদ নম্বর ১০, বি ব্লোক্কী সেদ নম্বর ৬, ৭, ৮, ৯ অমদি ১১ সী ব্লোক্কী সেদ নম্বর ৪, ৫, ৬ অসিদা য়ুনিয়নগী মীওই অমত্তা ফমদে। অতোপ্পশিংনা লাক্লগা কৈথেল ফল্লিবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঙসি ইম্ফালগী টেম্পররি মার্কেটতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অদুদা রোদ সাইদ ভেন্দর ৱেলফ্যের এসোসিএসন খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল, পান্থোইবী ইমা সনা কৈথেল লূপ টেম্পররি মার্কেট, মাইনোরিটি মুস্লিম ভেন্দর ৱেলফ্যের য়ুনিয়ন, সেদ্যুল্ড ত্রাইব ভেন্দর ৱেলফ্যের য়ুনিয়ন, সলাই তরেৎ অপূনবা নুপী সমাজগী থৌমীশিং অমদি ষ্ট্রিট ভেন্দর নুপী কয়াসু শরুক য়াখি।

# ওদিসন য়ৈথোক্লে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬ (ঐচ এন এস) :

মীতৈ চনু ২০২২গী ওদিসন নবেম্বর ৬, নোংমাইজিং নুমীৎতা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা অদু লাক্লিবা নবেম্বর ১৩দা পাঙথোক্লগনি হায়না ওর্গনাইজিং কম্মিটি মঙাশুবা মীতৈ চনু ২০২২গী কনভিনর ৱাইখোম অনন্দ মীতৈগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

হান্না থমজরম্বা ইলিজিবিলিটি অমদি ক্রাইটরিয়াশিংদা অহোংবা খরসু লৈরে। মালেম পুম্বগী ওইনা অচৌবা লায়না-লাইচৎ অমা ওইখিবা কোভিদ-১৯গী পেন্দমিক্লা মরম ওইরগা চহী ২ পাঙথোক্লুদবনা খুদোংচাদবা কয়া শরুক য়ানিংবশিংদা মায়োক্লবগী ৱাফম থৌশিল লূপতা পীরকপদগী অসিগুম্বা অহোংবা খরা অসি থমজবনি। অহানবদা চহী ২৫ ফাওবা হায়বদু হন্দক্কী ওইনা চহী ২৭ ফাওবা য়াওবা য়াবগী অয়াবা পীরগনি। লোয়ননা চাংদম্নরোইশিংনা শরুক য়াবদা খুদোংচানবগীদমক অৱাংবগী চাংসু ফুট ৫গা ইঞ্চি ২ ওইরগনি। মরম অসিনা শরুক য়াবীনিংবশিংনা মীতৈ চনু ফেসবুক পেজদগী ফোর্ম দাউনলোদ তৌবীরগা নবেম্বর ১০ ফাওবগী মনুংদা মীতৈ চনু ওফিসতা পীশিনবীয়ু হায়রি।

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৭।১১।২০২২ ইং, নিংথৌকাবা; নুংথিল পুং ৪.১৭ ফাওবা হিয়াঙ্গৈগী ১৪নি পাল্লি, মতুং থানিল ওইরনি।

**মেষ:** থৌনা ফুদোকপা মতাং চাই, অফবা মফম ফংজগনি, হকচাং নুংঙাইরমদবা ফরনি। য়েক্লবনা হুন্দুনা ঙাংবা অমদি মরুপ মপাংনা লৌথোক চাথোক্লিংবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফবা ৱাৎলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

**বৃষ:** শেল, অনৌবা মরুপ, মীংচৎ, লৌশিং অমদি অরং-অরাক ফংগদবা নুমিৎনি। লান্দবনা মাঙওইনরদি হেন্না চাওখৎকনি। অঙম্বনদি লুনা তৌবীবা ৱাৎলি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**মিথুন:** অনীংবা থবক পাঙবা ঙসিসু অফবা মহৈ লৈগনি, মীচঙ হেনগৎকনি, মীয়ামগা লোয়নবা থবক অয়াম্বা মায় পাক্কনি। মীনা ইনশিল্লগা অরুবা থবক্তি পাঙগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী হান্নদৈ হেন্না ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**কর্কট:** নাইতোম অরুবা ৱা লেপ্পদি য়ারোই অমদি চরাঙনবনা নথক থোংবগা মরী ফত্তবা য়াবা লৈ-ৱাখল খন্থৌ। মীঙোন্দা লৈখিবা লন, থাজবা মরুপ ফংবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

**সিংহ:** ৱানোম থৌনোম কান্নবা, থৌনা লিংজেল ফুদোকপা মতাং চাবা অমদি মরুপ্না চানবীবা নুমিৎনি। খুরৌ থাংবা লৈররোই, য়েক্লবসু হন্থরনি-মতম মাঙহল্লনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

**কন্যা:** নীংজবা থুংবগী নুংঙাইজবা, লল্লোন ইতিক্তা চাওনা কান্নবা অমদি অচুম্বনা মায় পাকপা অফবনা হেনবা নুমিৎনি। কল্লক য়েংথিবদি হান্নগুম লৈ-পঙথগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**তুলা:** হুরানবনা ইমুং মনুংদগী লন মৎপীখিবা য়াবা লৈ-পঙথগনু। অনম তান্নসু থৌ পাঙগনু-মীখা পোনগনি। নাইতোম থৌ পাঙববুদি মীগা লোয়নবনা শাফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**বৃশ্চিক:** পুক্লিং ফাথনা ঙসিসু লৈখো। নোল্লুক্লা চৎলবা অমদি খোয়রাংদ্রবা মাঙবা য়াবা কয়াদগী কনগনি। অনৌবা আশানা থৌপাঙবা, হোয়া ফবসু য়াখিরোই।
লৈশা পাখংশিংগী- মতম খরা লৌখো।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/শঙ্গোম

**ধনু:** ইমুং-মনুং লোয়নবনা কান্নজবা হেনবা, মীংচৎ তানবসু মায় পাকচবা, পল্লম্বা লন ফংবগী নুংঙাইজবা নুমিৎনি। থবক খুদিং হান্নবা পোরম শীল্লগা পাঙবা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- মতম মাঙগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

**মকর:** নীংবা থুংগনি, মীয়াম্না য়াগনি, থবক পাঙগনি অমদি নচা ননাই চাওখৎকনি। য়েক্লবনা মরুপ মপাং কায়নহন্নবা হোৎনবদি লৈ। অখঙ অহৈগী ৱা তাবা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগৎকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**কুম্ভ:** ৱানোম থৌনোম কান্নগনি, মরুপ মপাংনসু লোয়নবা পাম্বা নুমিৎনি। অনম তান্না থৌপাঙবদি শক-চু থোকপা ৱাৎকনি অদুবু নোল্লুক্লা চৎচরদি শাফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাল্লক্তা মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

**মিন:** ৱাখল থোকপা অমদি ওইজ-ওইথক য়াম্না তানবা য়াবা নুমিৎনি। ফমথোল ফংবগুম নুংঙাইজৈ অমদি ঙাং-শকপা পকচগনি। মরুপ মপাংগদি শাওনবা য়াবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- পুক্লিং পেঞ্জৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাঙবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

# ব্লদ দোনেসন কেম্প

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬ (ঐচ এন এস) :

ইন্দিয়ন দেন্টেল এসোসিএসন, মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চ অমদি রিমস ইম্ফালগী দিপার্টমেন্ট ওফ ওরেল মেদিসিন অমসুং রেদিওলোজি, দেন্টেল কোলেজগা খুৎশম্নদুনা হোস্পিটাল অসিমক্কী দিপার্টমেন্ট ওফ ত্রান্সফ্যুজন মেদিসিনদা ব্লদ দোনেসন কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে হায়না রিজনল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) ইম্ফালগী মীদিয়া এদভাইজর এন ফিলিপনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

পাঙথোকখিবা ব্লদ দোনেসন কেম্প অদু চহী অসিগী ওইনা অনীরকশুবনি। কেম্প অসি দিপার্টমেন্ট ওফ ত্রান্সফ্যুজন মেদিসিন রিমসতা ঈগী মথৌ তারিবা অদুদা মতেং পাংনবগীদমক পাঙথোকখিবনি। ডা. বি গোকুলচন্দ্র শর্ম্মা অমদি ডা. কোইজম সশিকুমারনচিংবনা শরুক য়াখিবা কেম্প অদুদা মীওই ২৭ রোম্না ঈ কৎখি হায়রি।

# য়ুম মৈ তুম্না চাকখিবদগী অৱাবা মায়োক্লরিবা মোইরাংথেম সনাগী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংদা পুন্না হিংমিন্নসি গ্রুপকী থৌমীশিংনা লুপা লিশিং ১০ তেংবাঙখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬ (ঐচ এন এস) :

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ৱাংজিং তেন্থা এ সীগী মনুং চন্না লৈবা তেন্থা হৈবুংদা থা অসিগী নবেম্বর ২গী নুংথিলদা খঙহৌদনা হৌরকপা মৈনা মৈৱাইরকপদগী লৈনরিবা য়ুম তুম্না চাকখ্রবা মোইরাংথেম সনা (৪০), লোয়নবী মোইরাংথেম ওংবী ঙানবী অনীগী মফমদা পুন্না হিংমিন্নসি গ্রুপ (পি ঐচ জি) ৱাংজিংনা লুপা লিশিং ১০গী মতেং পাংদুনা ইমুং-মনুং অসিগী অৱাবদা শরুক য়াখ্রে হায়না পি ঐচ জিগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি চাওবা হৈখামনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

পুন্না হিংমিন্নসি গ্রুপকী প্রসিদেন্ট পাওনম শান্তিকুমারনা লুচিংদুনা চৎখিবা তেংবাঙ খোঙচৎ অদুদা গ্রুপ অসিগী মীদিয়া এদভাইজর রাকেশ নাওরেম, সেক্রেটরি এস জয়দেব, ট্রেজরর টি ঐচ ব্রজেশ্বর, ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি চাওবা হৈখাম অমদি নাওরেম রোমিলা, এম দি সাহিদ, এন ইনাওচা, টি সুবোলনচিংবা মরুওইবা মেম্বরশিংসু শরুক য়াখি।



তেংবাঙ খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা গ্রুপ অসিগী মীদিয়া এদভাইজর রাকেশ নাওরেমনা ফোঙদোকখিবদা, পি ঐচ জি হায়রিবা গ্রুপ অসি ৱাংজিং তেন্থা এ সী অসিগী মনুংদা লৈরিবা মীওইশিংগী মরক্তা খুদোংথিবা অমদি অৱাবা তারবশিংদা মতেং পাংনবগী ৱাখল্লোন্দা লিংখৎচখিবা গ্রুপ অমনি। গ্রুপ অসিনা মৈহৌ-লাংপোক থোক্লকপদগী য়ুম তুম্না মৈ চাকখিবদগী কা হেন্না অৱাবা তারিবা মোইরাংথেম সনাগী ইমুংদা লুপা লিশিং ১০ অঙম্বা ওইনা মতেং পাংবনি।

তেংবাঙ থৌরম অসি পুন্না হিংমিন্নসি গ্রুপকী ২৫রকশুবা তেংবাঙ থৌরম অমনি। মণিপুরগী মীয়াম অমদি এ সী অসিগী মীয়ামদা গ্রুপ অসিগী মায়কৈদগী আপীল তৌজনিংবদি ঐখোয় মীওইবা অমনা অৱাবা তারকপা মতমদা ঐখোয়না চঙশিল্লগা শাগৈ-নাতৈ অমদি য়েক্ল বগী খেন্নবা থমদনা অৱাবা তারিবা ইমুংশিংগীদমক শরুক য়াবা অমা ওইনা ঐখোয়না মতেং পাংমিন্নবগী ৱাখল্লোন লৈমিন্নরগদি খুন্নাই অসিদা ঐখোয় পুন্না হিংমিন্নবা অমদি চাউখৎমিন্নবগী লম্বী অদু লাক্কনি। মরম অসিনা অপীকপা অমদি অখুবা ৱাখল্লোনশিং থাদোক্লরগা নাক-য়েৎতা, কৈরোই-লৈকায়দা, য়ুমথংনবদা অমদি খুন্নাইসিদা অৱা-অনা খুদোংথিবগী থৌদোক অমা হেক্তা থোক্লকপদা চঙশিন্দুনা অঙম-অঙম্বা মতেং পাংমিন্নসি হায়খি।

পনবা য়াবদি, পুন্না হিংমিন্নসি গ্রুপনা মমাঙদা কা হেন্না ৱারবা ইমুংশিং, অরুবা অনাবনা মরম ওইরগা লায়েংবা ঙমদ্রবশিং অমদি অতৈ শোখহৌরবশিংদসুমতেং পাংখি হায়রি।